# ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেনা লাকপদা : অথুবদা মালেম কলহৌনবা হোৎনরসি

- এল সোতিনকুমার -

চৎলিবা চহীসিগী মার্চ হৌরকপদা মালেমগী লৈবাক ৬৭তগী ক্লাইমেট অমসুং ইনভাইরমেন্টেল সাইন্টিষ্ট ২৭০ রোম পুন্দুনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ইন্টরগভর্নমেন্টেল পেনেল ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ (আই পি সী সী) দা পীখৎলকপা রিপোর্টকী মতুং ইন্না মহৌশাগী খলদা অহোংবা লাকপা, মসিনা পীরক্কদবা চৈথেং অমদি করম তৌরগা মসি কোকহনবা ঙমগনি হায়বগী শন্নপ্পা ৱাফমশিং মখাদা নৈনজরি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুইটেরিজনা রিপোর্টতু ফোঙদোক্লদুনা হায় 'ঐখোয়গী মীয়াম অমদি মালেম অসি মহৌশাগী খলদা অকায়বা লাকপশিং লাকশিনবা ঙমদ্রে। মালেমগী মীশিং তঙ্খায় অমরোমদি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মফমশিংদা লৈরি। ইকো সিষ্টম অয়াম্বা হান্নগী ফিভমদা অমুক হল্লক্লরোইদবা মওংদা অহোংবা লাকখ্রে। মসিদা য়েৎননিংঙাই ওইদে। ঐখোয় পুম্নমক্কী অমত্তা ঙাইরবা য়ুম (মালেম) অসিবু খ্বাইদগী চাওনা মাঙহন-তাকহল্লিবশিং অসিনা কোকপীনিংঙাই লৈত্রবা মরাল লংশিঞ্জরবনি।

রিপোর্টসিদা পল্লিবা ৱারোলশিংসিনা ৱার্নিং তৌরিবসি মালেম অসি ইকুই কুইদনা খুন্দা লৈতাবা য়াররোইদবা ফিভম মায়োক্লরগনি অমদি মীওইবা খুন্নাইনা মসিগী চৈথেং ফংবা হৌরে হায়বনি। কার্বোন থাদোকপগী চাং অথুবদা হন্থহন্নবা হোৎনদ্রবদি শাবগী চাং অমদি নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী শরুক ৱাৎলকপনা মীওইবনা খাংবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈরক্কনি হায়বসিনি। অসিগুম্বা খাংবা ঙমদবা ফিভম মায়োক্লহনগদবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াসু য়াওরি।

অকোয়বগী ফিভমগী মতাংদা থিজিন হুমজিল্লিবা অফাওবা মীওই অমনা আই পি সী সীগী রিপোর্টকী মতাংদা পল্লদুনা থল্লক্লিবা ৱাফমদি মহৌশাগী খলদা চাওনা কায়থরক্লিবসি মেনখৎনবা হোৎনবদা অরাইবা ৱাফম নত্তে। অইং অশাদা অহোংবা লাকপগী চৈথেংনা মালেমগী অপুনবা মীশিংগী তঙ্খায় অমদি খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরি অমদি অৱাবসি অসুম অসুম হেঙ্গৎলকখিগনি। রিপোর্টসিদা পল্লিবসি লৈত-লায়রনা লাঙ্গৌই চল্লবা মীওইশিংনা এটমোসফ্যেররদা গ্রীন হাউস গ্যাস থাদোকপদা শরুক য়াদ্রবসু মহৌশাগী খল কায়থরকপগী চৈথেং ফংবদি মখোয়না হেল্লি।

রিপোর্টসিদা য়ান্না ময়েক শেংনা পল্লিবা ৱাফম অমদি মহৌশাগী খলগা মীওইবনা চৎনরিবা থৌওংশিংগগী মরক্তা লৈনবা মরী অদুনি। ইকো সিষ্টম কায়থরকপনা অইং অশাদা অহোংবা লাক্তুনা মীওইবদা অচৌবা চৈথেং পীরি। হায়বদি শাবগী চাং হেঙ্গৎলকপসিনা য়ান্না তোয়না ঈকং অমদি ঈশিং ঈচাও থোকহল্লি লোয়ননা লায়না মখল কয়ানা নাহল্লি।

মহৌশাগী খল কায়থরকপসিদা পাম্বী, উচেক অমদি শা মখল কয়া মালেমসিদগী মুৎশিল্লক্লি। রিপোর্টসিদা পল্লিবা ৱাফম অমনা শাবগী চাং সেলসিয়স ডিগ্রি ১.৫° সিদগী হেন্না হেঙ্গৎহন্দ্রবসু অৱাংবা মফমশিং অমদি অরুবা ঈশিংদা লৈবা জিবা মখলশিংগী চাদা ১৪ দি মুৎখিবগী অকিবা লৈ। অদুগা শাবগী চাং কন্ট্রোল তৌদ্রবদি জিব মখলশিং অসিগী শরুক অহুম থোকপগী অমদি শুংশোয় শোয়দনা মুৎখ্রগনি। লোয়ননা অইং অশাদা অহোংবা লাকপসিনা অৱাংবা মফম, অরুবা ঈশিং, সমুদ্রদা অমদি সমুদ্র খোঙবালগী ইকো সিষ্টমদা চাওনা অমাঙবা থোক্লক্কনি।

থোক্লিবা অমাঙ-অতা কয়াসি মখা তানা হেঙ্গৎতনবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি শাবগী চাং হেঙ্গৎহন্দবনি। অদুগা মসি ওইথোক্লবা থিম্বা তৌদনা থবক পায়খৎকদবনি। শাবগী চাংদা খরা খজিক হেঙ্গৎলকপনা মীওইবা খুন্নাইদা পীবা চৈথেংদি য়াম্না চাওই। শাবগী চাং সেলসিয়স ডিগ্রী ১.৫° সিদগী মখা তানা হেঙ্গৎহন্দনবগীদমক হৌজিক থাদোক্লিবা কার্বোনগী চাং অসি চাদা ৪৫ অসিদগী চহী নিপাল ফাওবগী মনুংদা হন্থহন্নবা হোৎনবা চঙই।

ঐখোয়গী লৈবাক্কী ওইনা খ্বাইদগী লাইবক থিবদি হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাকসিনা ইন্টরনেস্নল ক্লাইমেট সম্মিটতা থমখিবা ৱাফমগী ওন্ন-তৈনবদা চত্থরল্লিবা থৌওংসিনি। চহীদা এনভাইরোনমেন্টেল লোবু শিংনদুনা লৈবাকসিগী য়ান্না সেন্সিটিভ ওইবা জোনশিং- হিমালোই চীংশাংনা কোনবা মফমশিং অমদি অন্দামানদা কয়লাগী খনিশিংদগী আইন্না য়াদবা মওংদা কোয়লা লৌথোক্লবা পার্মিসন পীখি। কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা পুথোকখিবা বাইওদাইভর্সিটি এক্টনা ফার্মা ইন্দষ্ট্রি পায়খৎলিবা লৈবাকসিগী অমদি মল্টিনেস্নেলশিংদা নেস্নেল পার্কশিং অমসুং রিজার্ভ ফোরেষ্টশিংদা চঙশিন্দুনা তাঙনা ফংবা হিদাক লাংথক শুংবদা মচল ওইনা শীজিন্নবা পাম্বী মখলশিং থিদোক্তুনা শীজিন্নবগী অয়াবা পীখ্রে।

কুমজা ২০২২-২৩গী য়ুনিয়ন বডজেটনা মহৌশাগী খল কায়থরকপা থেংননবগীদমক প্রাইওরিতি পীবা ৱাৎপসিমক পাল্লিবা লৈঙাকসিগী চীনগা খুৎকা মান্নদবসু হেন্না ময়েক শেং হল্লে। কম্মিসন ফোর এয়ার ক্বালিটি মেনেজমেন্টকী থবক থৌরমগীদমক কায়থোক্লিবা শেলফম হন্থরে। এনভাইরোনমেন্টেল প্রোটেক্সনগী লম্দা থবক তৌরিবা ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মসিগা মরী লৈনবা লোইশঙগী ফন্দ এলোকেসনসু ককথরে। অসুম্না এনভাইরোনমেন্ট কনবগা মরী লৈননবা থবক থৌরমশিংগী ফন্দ ককথরকপসিনা লৈঙাকসিনা ইন্টরনেসনল ফোরমদা পীখিবা কম্মিটমেন্টশিং থবক্তা ওন্থোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈত্রে। অইং-অশাগী খল কায়থরকপনা ওইহল্লকপা চৈথেংশিং শিংনদুনা থিংননবা তৌদনা মায়কৈ কয়াদগী তুংকোয়না অশংবা মালেম অমা ওইহন্নবগীদমক পায়খৎফম থোকপা খোঙথাং লৌখৎহৌদ্রবদি মালেমসি লৈকংলা ওইহৌরগনি।

শেঞ্জাও পায়বগী লৈঙাক্তদি ঈশিং, উমং, পাম্বীশিং অমদি মহৌশাগী পোৎচং পোৎলম খুদিংমকসি শেন্দোংগীদমক অয়োনপোৎশিং ওন্থোরকই। সিষ্টমসিগী মখাদা মহৌশাগী রিসোর্সশিং শুংদোক্তুনা মখল মখাগী মশীং লাকঙমদ্রবা অয়োনপোৎশিং ওন্থোকপনা ইকো সিষ্টমদা অমুক হঞ্জিনবা ঙল্লরোইদবা অচৌবা অমাঙ-অতা থোকহল্লি। মালেম কনগে হায়রবদি শেন্দোংদা ঙাওরবা শেঞ্জাও পায়বগী সিষ্টম অসি হোংদোক্তুনা মহৌশাগী শক্তম কায়হল্লোইদবা থৌদাং লৈবা মান্নবা খুন্নাইগী ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইবা লৈঙাক অমগী তঙাইফদবা লৈ। হায়বদি সোসিয়েলিষ্ট সিষ্টম ওইগদবনি।

লোইশিল্লকপদা ইন্টরগভর্নমেন্টেল পেনেল ওন ক্লাইমেট চেঞ্জগী রিপোর্টতা পল্লক্লিবা ৱার্নিংশিং অসিনা মীওইবা খুন্নাইনা মথৌ তাবদা প্রাইওরিতি পীবা, শেন্দোংগীদমক খন্দবা সোসিয়েলিষ্ট খুন্নাই অমা নৌহৌননা শাগৎনবগীদমক ইন্টরনেসনল ৱার্কিং ক্লাসকী মীওইশিং নুপী অমদি নহারোলশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা শেঞ্জাও পায়বগী নীতি অসি মরূ ফংনা মুখৎনবা অকনবা মুভমেন্ট শাগৎপা মথৌ তারক্লি অমদি লমথুংফম অসি য়ৌনবা নীংহন্নবা লৈতনা চঙশিনমিন্নরসি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## শিগনি কাউথোক্লবসিনা শোয়নরক্লিবনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

চহী য়ামদ্রিবা মীওইসু অদুমক শি। চহী য়াল্লবা মীওইসু হিংদুনা অদুমক মরৈ। মসি করিননো? খঙজিনবদা কান্নবা হায়বদু নমদনা ওইদৌরিবনি। হিংলিবা ঐখোয় মশেলসি অমনা অমবু অশোয়বা থিদুনা নোক্লরুবা য়াবা নত্তে। শোয়দনা চুরুংদৌরিবনি। অফবদা নোক্লবা চুরুবদি লায়রদুনা অঙ্কাগী অঙ্কা ওইরবনি। অশোয়বদা ফত্তবদা নোক্লবদি শোয়দনা চুরুংদনীংঙাই লৈরোই। চুরুংগে চুরুংজসনু নোক্লবীদ্রগা লোইরবনি। মসিগী পরমসিসু অঙকপনি। মমা পুক্লুংদগী অশোয়বা ওইনা পোল্লকপা মসিদি পংয়াম য়াম্না য়াওবা নত্তে। অদুক, মথেল অমা ওইনা য়াওরকপগী ৱানি। অশোয়-অঙাম য়াওদনা মমানা পোল্লকপা কয়া অমা লৈরিবসিগী মনুংদা অশোয়বদি অদুমক য়াওরবনি। হিংলিঙৈগী মনুংসিদা শোয়দনা শিত্র লৈতবা মীওই অমা ওইনা হিংবা মসিমা খ্বাইদগী অফবা হায়বদু ওইদৌরিবনি। মীগী অশোয়বা য়েংলগা নোক্লরিবা, থৌওই-ৱাওইবীদবা মসিনা তাইবঙ মীওইবা ওইনা পোল্লগা তৌরোইদবনি হায়না খনবদা অফবা হায়বদু শোয়দনা ওইগনি হায়বগী থাজবা ৱাংনা লৈরিবনি। কনাগুম্বা অমত্তদা করিসু হায়রুদনা হিংলিবা ঐখোয়গী মনুংদা হেক্তমক চুরুংলক্লগনি হায়রুবা য়াবা নত্তে। চহীনবু মতোইনা য়াল্লক্লবা ৱাখল ফাওবা খল্লুদ্রবা ময়াম অমা খল্লক্কদৌরিবনি।

হৌজিক হৌজিক পায়রম্বা পোৎ অদু ফাওবা থম্ফম খঙদনা অকাউবা হায়বদু নমদনা লাক্কদৌরিবনি। চহীসিনা চহী হুম্ফুগী মথক্তা লাক্লবা অদুগুম্বা মীওইদু সিনিয়র সিটিজন ওইবা য়ারবনি। চহী য়াল্লবা মীওইশিংনা করিগুম্বদা খোঙহাম-খোঙহাম তৌবদা য়ারিবমখৈ থোংদু পুনা থাবীদবা খ্বাইদগী ফগদৌরিবনি। মরমদি করিগুম্বা... অশোয়বা থোকপদা পুনা থারবনিনা অথু-অকায়গী থবক থেংথগদৌরিবনি। মনুং চঙবদা খ্বাইদগী নুংঙাইগদবদি হৌগৎ-ফমথদা খুদোং চাদবা মীওইশিংগীদমক্তদি ইংলিসকী কুমুদ পান্দুনা শীজিন্নবনা অফবা ওইরবনি। ইনখৎলক্লিবা মীওইশিংগী মফমদা হৈনদবা ওইরবসু চহী য়াল্লক্লবা হকচাংদা অশোয়বা ওইরক্লবা মীওইশিংগীদি অফবা নুংঙাইবা ওইদৌরিবনি। তূম্বা হৌগৎলকপদা ঙাইহাক ফমুংদা ফন্নগা হৌগৎপসিনা কোক ঙাওগদবদগী ঙাওদবা হায়বদু ওইদৌরিবনি। খোঙগ্রাওমক্তা শেৎলবসু লোন্না-লোন্না শেৎপগী থবকসিমা তৌদবা খ্বাইদগী ফগদৌরিবনি। চৌক্রিদা নৎত্রগা অতোপা অমদা ফজনা ফন্নগা শেৎপনা অফবা ওইবা হায়বা অসিমা অদুমক ওইরগনি। চহীনবু য়ামগনু য়ারক্তুবদা অখঙ অহৈগী পাউতাক নিংথিজনা লৌদুনা থবক ওইনা পাঙথোকপা মসিমা খ্বাইদগী অফবা হায়বদু ওইদৌরিবনি। তূম্বা-চাবা নুংঙাইরক্তবা হকচাংগী মফম অমদা হেক্তমক অনা অয়েক লাকপা মসিসু অদুমক য়াওদনীংঙাই লৈরোইদৌরিবনি। চহী য়াল্ল-য়াল্লগা ফজবসি হায়নবা লৈরিবদুনি। খঙলবসু নীংশিংজবা ওইনা - ঙাগা, উগা অনীসিনি হায়না তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না হায়নরিবনি। মসিমা চুমখ্রবা, কনানসু মূথৎপা ঙমদনা অদুমক লৈদৌরিবনি। মচানা, মমৌনা, মশুনা করিগুম্বা অমা শোয়রকপদা ঙাংলু-শক্লুবদা নুংশিনা খুল্লকপা হায়বদুমদি থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগদবনি। মসিদগী ঙাকথোক্লবা খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈদি অহানবদা য়েংদা য়েংবা করিগুম্বা অমা হায়রুদবা, মিৎ, নাকোং হায়বা অহুমসিবু ঙাক্লা চৎপদা অফবা ওইদৌরিবনি।

নোংমা নোংমগী কল্লম্বা পাঙ্গলগী চাংনা ময়েং অসুম অসুম তারকপদা চৎপা ফাওবা চৈশু অমা য়াওদ্রবদি ঙল্লক্তবা, মসিমা কুইনবু পুন্সিরবা শোয়দ্রবনি। মসিগীদমক কনাদনো ৱারৌগদৌরিবা? ৱারৌফম লৈতনা ইশা ইথন্তা অদুমক ওইরগদবনি। চহী য়াল্লবা মতুংদগী অঙাং ওইরকপা ৱারীগী ৱানি। অহলদুনা কৈদৌনুংদা পাখঙ মচা ওইরকপদি ওইদ্রবা ৱানি। অঙাংদগী অহল ওইরকপদি নোংম-নোংমগী হৌখিদুনা চহী খরগী মতুংদদি মানা থৌওই-ৱাওইদনা তৌরম্বা অহল হায়বদুমক ওইদৌরিবনি। শুফম চাফম লৈরবসু মকন্থি থোক্লা শুবা ঙমদ্রবা, মচা মমৌগী মতেংনা হিংলিবা অহল কয়া অমা ৱানা খাঙবা মশীং থিদুনা করিবু কান্নবা ফংগনি। গভর্ণমেন্টকী থবক অমা তৌহৌবা ওইরবদি থবক অদুগী পেন্সন খরদি শোয়দনা ফংগদৌরিবনি। য়াম্বা য়াদবা খরদি...। মসিমা মচা-মমৌনা খরদি লুনা তৌরবনি। মসি নত্তবদা লুনা চান্না তৌবীবা চাম্মগী মনুংদা মশীং ইয়াম য়াল্লমগদবা মান্দে। মচানুপাদুনা অনী অহুম শুরবা মপাদুনা থাগী পেন্সন ফজনা ফংলবা ঐঙোন্দা চাসনু পাজিদি (ইকুদি), ঐগা চাগদবনি... মসিমক মৌ মশেল খৎনবা ফাওবা য়াওরিবা পোৎনি। চহী য়াল্ল-য়াল্লগা কৈরোই লৈকায়গী থৌদোক ৱাথোকশিং অয়াম্বদা অদুমক চিথদবা ওইরগদবনি। মতমসিগী থৌদোক ৱাথোক্তা মান্দপ ময়ায় ফম্বীনবগীদমক ভাবোক হায়না হায়নরিবা মসিমা নাম্থবা তৌদনা য়াওরগদবনি। ভাবোকপু পামজবা চহী য়াল্লবা কনাগুম্বদি ভাবোক্কীদমক য়ূম্বুদুগী ময়ূমদা চৎতুনা... মসিসু ভাবোক ওইরক্লবগী লৌ মখল অমনি। মতমসিগী ওইনা কৈদৌঙৈ ফাওবা চৎনদুনা লৈদৌরিবা হায়বা খঙদনা অদুমক লৈগদৌরিবা 'ভাবোক'। মতম খরা লৈরবদি লোটরি তৌরকপসু য়ারিবা জাৎনি।

চহী হুম্ফুবু শুরবা সিনিয়র সিটিজন ওইরবা অদুগুম্বা মীওইদু মাগী মথক্কী অহলবু ফমহন্দনা মানা ভাবোক ওইবসু মশীং কয়া অমনি। মসি মুন্না খল্লুরবদি ঙন্তানা থৌদোক্তুগী চৎলুবগী ফংজবনি। থেঙনা লাক্লগা চহী য়াল্লিবা মহাক অদুমা ভাবোক ওইবগী খুদোংচাবা মাঙবনা মশীং অয়াম্বনি। ভাবোক ওইরবা মতুংদা য়াম্না তোয়না ফমফমদগী হৌগৎলবা দাইবেটিসকী লায়না লৈরমগদৌরিবনি, হৌজিক্কী মতমদা ভাবোক ওইবদি মতম শাংনা ওইগদবনি হায়বদুমদি ওইদ্রবনি। দাইবেটিসকী লায়না লৈদুনা মপান তোয়না থোক্লবা ভাবোক ওইগে খন্দবনা খ্বাইদগীফরবনি। করিগুম্বা মফম খরদদি ভাবোক ওইবীনবা অহল ওইরবা লৈতবদগী খুল্লান্দুনা অহল নেক্লুবা য়াওরিবা পোৎনি। মাগী মাগী তৌজরুবা ফলনা নৌনা মপুন্সি তেল্লবা মীওইগী মশীং নোংম-নোংমগী অসুম-অসুম হেনগৎলকপনা য়ামশিল্লক্লবনি। মসি করিদগী করম তৌনা ওইরকখিবা? ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লাইচুবা, চাগদবা থক্কদবা মতমদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্লা ঙমদুনা চাদনা চরা হেনবা, তূম্বা চাবা চাং নাইরক্তনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক অদুতনা লাইনীং ওইরকপা পূম্নমকসিদগী ... করিদি তৌরুনি।

হৌজিক্কী ইনখৎলক্লিবা নহা ওইজরিবী লৈশাবী কয়া মুন্না থিজিল্লগা তশেং-তশেংবা খঙলবা মতুংদা... মসি নৎতনদি মোবাইলদা খঙনরে হায়দুনা হেক্তমক... তুংগীদমক করি ওইদৌরি? মাঙগীদমক খনবসিনা পোলোইদা পেঞ্জদবা নুমিৎ খুদিংগী পিরাং শিন্থনবগী মরম ওইরকপা পূম্নমক কনা অমগী মরাল নত্তে। লাল্লিবদি নহাকনি। মসিমা খ্বাইদগী মরূ ওইরবনি। কোংগ্রেং মনুংদা মুক্তা লৈবা থিদনা হেক্তমক ফংগদবা নত্তে। থিজিনবা খঙজিনবা মসিমা হিংনবগী লম্বী, অচৌবা পাম্বৈ ওইদৌরিবনি।

***অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা***
খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল

## ষ্টেটকী পাউ

# অল্লাফুমনা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিটিগী নৌনা খনখ্রবা চ্যেরমেন এম অশ্বিনিকুমারবু তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস): ওল লোক্তাক লেক এরিয়া ফিসরমেন য়ুনিয়ন মণিপুর (অল্লাফুম) না শিন্দুনা ঙসি লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিটি (এল দি এ) গী নৌনা খনখ্রবা চ্যেরমেন এম অশ্বিনিকুমারবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা লোক্তাক পাৎতা লৈবা চম্পু খাঙপোক ফ্লোটিং ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে।



ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা এল দি এগী নৌনা চ্যেরমেন ওইনা খনখ্রবা এম অশ্বিনিকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিগী পুৱারীগা শগোন্নদুনা লাক্লবা লোক্তাক পাৎ অসিবু কন্নবা হোৎনবা হায়বসি খুদিংমক্কী মথৌদাংনি। মরুওইনা লোক্তাক পাৎ অমদি মসিগী অকোয়বদা খুন্দারিবা মীওইশিংনা হিরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মফম অসিদা খুন্দারিবা মীওইশিংনা লোক্তাক পাৎ কন্নবা হোৎনবদা লৌগদবা থৌদাং য়াম্না চাওই। অঙৈং অশাগী খল কায়থরকপা অমদি মীওইবগী খুৎশেমগী ওইবা থৌদোক কয়ানা পাৎ অসিগী মশক হান্নদগী য়াম্না হোংহনখ্রে। অদুবু পাৎ অসিনা লমদম অসিগী মীওই কয়াগী হিংনবগী লম্বী ওইবতা নত্তনা কান্নবা কয়া অমা পীরি হায়বসি হেক হেক কাউথোক্লবগুম তৌরি। মসি লাইবক থিবনি। লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিটি হায়না লৈরিবা অসি লোক্তাক পাৎ য়োকখৎনবগীদমক্লি। লমদম অসিগী শেংলবা পাৎ অসিবু হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা কন্নবা অমদি য়োকখৎনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈঙাক্লা পাৎ অসি কন্নবা হোৎনরবসু মীয়ামগী অমদি ষ্টেকহোল্ডরশিংগী মতেং য়াওদনা মপুঙ ফানা মায় পাকপা ঙল্লোই। মরম অদুনা পাৎ অসি কন্দবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোন ঐখোয় খুদিংমক্তা চেন্নবা হোৎনগদবনি হায়খি। ঙরাংগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা এল দি এ, অল্লাফুম অমদি গভর্নমেন্ট ওথোরিটিশিংনা লোক্তাক পাৎপু কন্নবা হোৎনবদা পুন্না থৌদাং য়ামিন্নবা হায়না অমত্তা ওইনসু য়ানখি।

# এন্দি মংসাতাবমগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস): মমাং থাগী ৩০ দা পুন্য হ্যুন্দাই, হোন্দা, তোয়োতা অমসুং কিয়াগী প্রোপ্রাইটর এন্দি মংসাতাবমনা থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকায়দা লৈবা ইন্টিগ্রেটেদ ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেন দিভলপমেন্ট সেন্টর (আই দব্লিয়ু সী দি সী) দা মহাক্কী মশিং য়াল্লবা ষ্টাফশিংগা লাক্তুনা সেন্টর অসিদা মথৌ তৌদুনা লৈরিবা নুপা অমসুং নুপী ষ্টাফশিংদা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চত্থখিবা অদু লাইবক থিবনি হায়না য়ুথস ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোরম অসিগী মিদিয়া কোওর্দিনেটর এস ঙৌবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা চহী ৩০ রোম অসিদা নুপী, অঙাং, ময়ায় কাবা চিঞ্জাক অমদি ঐচ আই ভি/এইদসকী মতাংদা থবক তৌদুনা লাক্লিবা রেজিষ্টর ওর্গনাইজেসন আই দব্লিয়ু সী দি সীগী ষ্টাফশিংদা কা হেনবা থৌওং চত্থদুনা অকি অখঙ পেকাকহনখিবা অমদি মথৌ তৌদুনা লৈরিবা মীওইশিং অদু মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা কিহল্লমখিবগী থৌওং অসি য়াবা ঙম্লোই। অসিগুম্বা মীওইশিং অসিগী মথক্তা লোগী ওইবা চপ চাবা এক্সন মরী লৈনবশিংনা লৌখৎকদবনি। অমদি মখা তানা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোকহল্লক্তনবা চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টর ওফ সোসল ৱেলফ্যের অমদি দি জি পি মণিপুরনা খুৎ থিংজিন্দুনা অচুম্বা ৱায়েল চত্থবিয়ু হায়নসু মখা তানা অপিল তৌরক্লি।

# সী এস আই আরগা খুয়েক পীনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস): ইন্সটিট্যুট ওফ বাইওরিছোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট (আই এস বি দি), ইম্ফালগা সী এস আই আর ইন্সটিট্যুট ওফ হিমালয়ান বাইওরিছোর্স টেক্নোলোজি (আই ঐচ বি টি), পালম্পুরগা ৱাই ইকোনোমি ফগৎহন্নবগীদমক বাইওরিছোর্স দিভলপমেন্টকী মতাংদা পুন্না থবক তৌমিন্ননবগীদমক য়ানা চে অমা খুয়েক পীনখ্রে হায়রি।

হিরম অসিমা মরী লৈননা আই বি এস দিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, সী এস আই আর-আই ঐচ বি টিগা পুন্না থবক তৌমিন্নগদৌরিবা অসিদা কান্নবা কয়া শোয়দনা ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈ। নেসনল টেক্নোলোজি দে থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি ইন্সটিট্যুট অনীগী মরক্তা খুয়েক অসি পীনখিবনি।


## / পাঞ্জি তম্বা য়ারগনি

(নুপীখক্তগী)

নুপীশিংগী (Special Class) পাঞ্জি তম্বা য়াওবীয়ু।

সিট মশীং ঃ ৬ নি।

Sd/- **Acharya Ahambhijit Sairom**
Secretary, ACC,
Uripok Yambem Leikai (Sakhi Devi G/H School তাইনবা)
HL-P/2703/13 # 6909260636

## CONDOLENCE MESSAGE

Today, a condolence meeting was held at 5 P.M. at Cosmo Dental Clinic, Uripok on the sudden demise of **Mrs. Laishram Irani Devi**, spouse of **Shri Okram Debendra Singh**. The members of the G-15 observed a 1 minute silence and prayed to Almighty so that the departed soul of **Mrs. Laishram Irani Devi** rest in peace in the heavenly abode. The members of the G-15 expressed their earnest commiseration to the bereaved family.

Dated : 11.05.2022
HL-P/2551/13 Sd/- **G-15 Members**

## OFFICE OF THE MEMORIAL MODEL ACADEMY
### YAIRIPOK BAZAR - 795149
### / WANTED

The following post is lying vaccant and interested persons can submit the relevant documents on or before 14th May 2022 at the school office.

| Sl. No. | Vaccant Post | No. of Post | Qualification | Pay scale : 10000+ Date of Interview : 16th May 2022 |
|---|---|---|---|---|
| 1 | English | 1 | M.A.B.Ed/D.El.ED | Time of Interview : 9.30 a.m. |

Sd/- **Principal**
Memorial Model Academy,
Yairipok
HL-P/2684/13,14

## / NOTICE

A General Body meeting was held on 1st May, 2022, at 4:30 pm for All Poiroukhongjin United Clubs Organisation (APUCO) under the chairmanship of Noren Singh at Poiroukhongjin Community Hall.

As a result of the meeting, the following members are selected as new Executive Members of APUCO :-

| Sl. | Name | Designation |
|---|---|---|
| 1. | Laishram Budha Singh | President |
| 2. | Konthoujam Sobhachandra Singh | Secretary |
| 3. | Konthoujam Nilakaman Singh | Information Secy. |
| 4. | Nongthombam Ibochoubi Singh | Treasurer Secy. |
| 5. | Soram Ibomcha | Social Culture |
| 6. | Laishram Sura Singh | Games & Sports |
| 7. | Laishram Kunjaraj Singh | Auditor |
| 8. | Konthoujam Budha Singh | Auditor |
| 9. | Konthoujam Chaoba Singh | Auditor |

Sd/- **K. Sobhachandra Singh**
General Secretary,
All Poiroukhongjin United Clubs Organisation
(APUCO), Poiroukhongjin
HL-P/2702/13

## / CERTIFICATE AND ADMIT CARD LOST

I have lost my High School Leaving Certificate and Admit Card bearing Roll No. 17327 issued by the Board of Secondary Education Manipur in the year 2015 on the way between Oriental College, Takyelpat to Konthoujam Khabi Mamang Leikai, Imphal West on 7th May, 2022. If anybody found the above document, please handover to the undersigned. Monetary award may be given as honour.

Sd/- **Pebam Bicky Singh**
S/o. P. Hemachandra Singh
Konthoujam Khabi Mamang Leikai, Imphal West,
Manipur, # 6009913508
HL-P/1342/13

## WANTED RHYME / PRIMARY TEACHERS & SOME OTHER POSTS

1. Three Rhyme Teachers - XII/Graduate - 3 yrs Teaching Experience (Rs. 6000 - Rs. 9000)
2. Three Primary Teachers-Graduate- 3 yrs Teaching Experience (Rs. 6000 - Rs. 9000)
3. 2 Male Warden Cum Teachers- Graduate/PG (Rs. 11,000 - Rs. 15,000)
4. 2 Hotel Securities, Mothers, Chowkidars (Rs. 6000 - Rs. 9,000)

**Please Contact : 8787752537 7085376498**
HL-P/2550/13

## ALL MANIPUR LAMJINGBA INVESTORS ASSOCIATION (AMLIA) না মীয়ামদা খঙহঞ্জবা

Lamjingba Finance তা পৈশা থম্বীখিবা Investors/Depositors শিংদা AMLIA না করিগুম্বা খরদং খঙহঞ্জরি, মদুদি Lamjingba Finance না ঐখোয়দা শিন্নবীরকখ্রবা assets Investor শিংদা য়ৌহন্নবগীদমক্তা documents verification তৌবা হৌজরগনি। মরম অদুনা Investor শিংনা ইশা-ইশাগী Passbook শিং হৌজিক-হৌজিক AMLIA গী ওফিস ওইরিবা RIMS road তা লৈবা Manitron office কী Building গী 2nd Floor, Opposite SKY Hospital দা পুবীরক্তুনা Verification তৌবা য়াওবীনবা হায়জরি। লাকপীবা মতমদা Lamjingba Finance কী Original Documents শিং পুবীরক্কদবনি।

Document Verification গী অকক্লবা মতম লৈজগনি মদুদি ঃ-

1. 9:30 AM to 4:30 PM Weekdays
2. Saturday and Sunday off লৈগনি
3. Document Verification গী অরোইবা নুমিৎ 20th May, 2022 নি অদুনা মসিগী মখা তাবদা লাকপা report or complaint লৌজরোই।

AMLIA না Investor খূদিংমক্তা মীচং-মীখায় নাইদনা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা থবক তৌজগনি লোয়ননা করিগুম্বা মখল অমত্তগী লন্নাইগী ওইবা দোনেসন লৌজরোই।

HL-P/2705/13 হায়জরিবা : **Secretary, AMLIA**


পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।